# জপানদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পগী মতম অসি য়াম্না থেংমল্লব্রা হায়রি



টোকিও, জুন ০২ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী ১ য়ৈথোরক্লবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌননবা কন্না শিল্লি। অদুবু ভেক্সিন কাপ্পগী থবক অসি জপানদা থেংনা হৌখিবনা মরম ওইদুনা লৈবাক ২০দগী মীওই ১৫,০০০ হেন্না লাক্কদৌরিবা অসিনা জপানদা অনৌবা পোৎলুম অমা পীশিল্লগদ্রা হায়না জপান দোক্টরস য়ুনিয়নগী মকোক ওইরিবা ডা. নাওটো উয়ামানা ফোঙদোকখ্রে।

ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্লবা মতুংদা অনৌবা কোভিদ-১৯ ভেরিএন্ট অমা 'টোকিও ভেরিএন্ট' লাকপগী তাঞ্জা অমা লৈরকপা য়াই হায়না ডা. নাওটোনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌজিক-হৌজিক জপানদা কোভিদ-১৯গী ৪শুবা ৱেভ য়াম্না কন্না মায়োক্ল রিবনি। জপানদা ওলিম্পিক্স হৌবা চয়োল অমা চঙশিল্লবা মতুং লৈবাক অদুগী চহী য়াম্লবা মীওইশিং ভেক্সিন অদু কাপ্পা লোইগদৌরিবনি। হৌজিকফাওবগী ওইনদি মখোয়না থম্লিবা টার্গেট ওইনা চহী য়াম্লবা মীওই মিলিয়ন ৩৬ ভেক্সিন কাপকদৌরিবনি। অদুবু জপানগী মীয়ামগী চহী য়াম্লবশিংগী মরক্তা চাদা ৭০ রোমতমক ভেক্সিন অদু কাপ্পা লোইগদৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা জপান লৈঙাক্লা হৌজিক-হৌজিক নোংমদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ মিলিয়ন ১ কাপ্পনবা থবক লৌখৎলগনি।

জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগানা লৈবাক অদুগী মিলিটরি দোক্টর অমসুং নর্সশিং ফাওবা য়াওহন্দুনা ভেক্সিন কাপ্পগী খোঙজং অসি য়ামখৎননবা থবক থৌরমশিং অদুমপূং ফানা লৌখৎকনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, টোকিও মেদিকেল এসোসিএসনগী চ্যেরমেন হারুৱো ওজাকিনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক-হৌজিক জপানদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পগী খোঙজেল অসিনদি ওলিম্পিক্স মনুংদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী থবক অদু থিংবা ঙম্লোইদৌরি। ওলিম্পিক্স অসিনা টোকিও ভেরিএন্ট কোভিদ-১৯ মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা শন্দোকখিবা য়াবগী তাঞ্জা লৈহায়খি।

মরক অসিদা, ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না টোকিও বেদা লৈগদৌরিবা ওলিম্পিক ভিলেজদা লৈগদবা এথলিট অমদি ষ্টাফচাদা ৮০দি ভেক্সিন কাপথোক্কনি। অদুগা মখোয় য়ারিবমখৈ ভিলেজ অমদি শান্নফম নৎতনা অতোপ্পা মফমদা চৎথোক-চৎশিন তৌহনবগী অয়াবা অদু পীরোইদৌরি।

কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী মতাংদা ওলিম্পিক্স শরুক য়াবা লাক্কদৌরিবা মীরমগী এথলিটশিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিং চাদা ১০০ ভেক্সিন কাপ্পবা মতুংদা লাক্তবসু য়াই। মরম অদুনা মখোয়গী মরক্তগী কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি শন্দোরকপা য়াবগী তাঞ্জা অমসু লৈরিবনি। চেকশিন থৌরাং ওইনা মীরমগী ভাবোক অমত্তা ওলিম্পিক্স য়েংবা য়াহল্লোইদৌরি। পূন্না উনবগী তাঞ্জাসু পীরোইদৌরি।

# ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এস্লি বার্টি অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে, নুপাগীদা নম্বর ১১ রোবর্টো বোটিষ্টা অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে



পেরিস, জুন ০২ (এজেন্সী):
নুপীগী টেন্নিসগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টি পেরিসতা পাঙথোক্লিবা চহী অসিগী ২রকশুবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী বরনার্দা পেরাগা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরবা মতুং সেট ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে। নুপাগীদা ৱর্ল্ড নম্বর ১১ স্পেনগী রোবর্টো বোটিষ্টা অগুট স্বিটজরলেন্দগী ক্বালিফায়র হেনরি লাক্সোনেনগী মখূৎতা মায়থীহৌরে।

এস্লি বার্টিনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা য়ু এস এগী টুর্নামেন্ট অদুদা ৭০শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা বরনার্দা পেরাগা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকপা অদুগী অহানবা সেটতা এস্লি বার্টিনা ৬-৪দা থোইবা ঙমখি। অদুবু য়ু এস এগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেটতা য়াম্না ফজরক্তুনা বার্টিগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌখিবগা লোয়ননা ৬-৩দা থোইদুনা সেট অমমম্ মান্নরকখি। অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা বার্টিনা মহাক্কী এক্সপরিয়েন্স অদু শীজিন্নদুনা য়ু এস এগী পেরাগী সর্ভিস গেম অমা ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা ৬-২দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা মমাংদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ফাওবা ওইরম্লবী অদুগা ফ্রেঞ্চ ওপনগী কুমজা ২০০২গী ফাইনেলদা রন্নর্স অপ তাখিবী য়ু এস এগী ভেনস ৱিলিয়মস অহানবা রাউন্দদা রসিয়াগী শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ৩২ একাটেরিনা অলিজান্দ্রোভাগী মখূৎতা ৩-৬, ১-৬তা মায়থীহৌখি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা মায় পাক্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখিবশিংগী মনুংদা রোমানিয়াগী সোরানা কর্ষ্টি, স্লোভেনিয়াগী টি জিদানসেক, রসিয়াগী কে সিনিয়াকোভা, লোয়ননা অতোপ্পা রসিয়াগী শান্নরোয় দারিনা কসাটকিনা য়াওরি। সোরানা কর্ষ্টিনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দ অদুদা ফ্রান্সকী এম ট্রেবিসানগা লম্বা তৌনবদা ৬-৪, ৩-৬, ৬-৪দা থোইবা ঙমখি। মহাক্না অহুমশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌগদৌরিবী শান্নরোয় অদু রসিয়াগী কসাটকিনানি। কসাটকিনানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা নুপীগী ১০শুবা সিদেদ শান্নরোয় স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-২, ৬-২দা থোইবা ঙমখি।

চেক রিপব্লিককী শান্নরোয় কে সিনিয়াকোভানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা রসিয়াগী ২৯শুবা সিদেদ শান্নরোয় ভি কুদরমেটোভাবু ৭-৬ (৭-৯), ৫-৭, ৭-৫দা থোইবা ঙমখি। সিনিয়াকোভানা অহুমশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী এম ব্রেঙ্গলবু ৬-৪, ৬-১দা থোইরন্বী স্লোভেনিয়াগী টি জিদানসেকক্কা শান্নরগনি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ১১শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা স্পেনগী রোবর্টো বোটিষ্টা অগুটপু ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবা স্বিটজরলেন্দগী হেনরি লাক্সোনেননা সেট ৩-১দা থোইরমখি। অহানবা সেট অদু লাক্সোনেননা ৬-৩দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেট অদু রোবর্টো বোটিষ্টানা ৬-২দা থোইরগা মখা তারকপা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা সেট অদু হেনরিনা ৬-৩, ৬-২দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী মায়কৈদা এসিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা জপানগী কৈ নিশিকোরিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ২৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় রসিয়াগী কারেন খাসানোবকা অকনবা লম্বা তৌনদুনা সেট ৫ চঙনা শান্নরগা ৪-৬, ৬-৩, ২-৬, ৬-৪, ৬-৪দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ৬শুবা সিদেদ ওইরিবা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা রসিয়াগী ক্বালিফায়র রোমান সাফ্যুলিনবু ৭-৬ (৭-৪), ৬-৩, ৭-৬(৭-১)দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। ঙরাং সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচ অমসুং স্পেনগী নদাল অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

# ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথন প্রি ক্বার্টর য়ৌবা ঙমখ্রে

বিএলা, জুন ০২ (এজেন্সী):
ইটালিগী সিটি বিএলাদা পাঙথোকপা য়ুরো ৪৪,৮২০গী শেলগী মনা লৈবা চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রামকুমার রামানাথন প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

রামকুমার রামানাথননা ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দদা স্লোভেনিয়াগী শান্নরোয় ব্লাজ কাপসিকপু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইবা ঙমখি। রামকুমারনা ব্লাজকী সর্ভিস গেম অনী অহানবা সেট অদুদা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-১দা থোইখি। মদুগী মখা তারকপা অনীশুবা সেট অদুসু চপ মান্ননা অহানবা সেটকী মশান্না অদুগুম্না রামকুমারনা সর্ভিস ব্রেক অনী তৌদুনা ৬-১দা থোইরগা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

মথংগী রাউন্দদা রামকুমারনা অতোপ্পা ক্বালিফায়র শান্নরোয় ইটালিগী জাকোপো বেরিটিনিগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অদুদা রাম কুমারনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় স্রিরাম বালাজিগা প্যের ওইদুনা দলবসকী ইভেন্ট শরুক য়ারকপদসু মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মখোয় অনীনা ইটালিগী মার্কো বোর্টোলোটি অমসুং লুকা ভানিবু ৬-১, ৭-৬ (৯-৭)তা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি।

টুনিসিয়াগী মোনাষ্টিরদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ১৫,০০০গী শেল মনা লৈবা আই টি এফ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সিধান বনথিয়ানা টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওষ্ট্রেলিয়াগী থোমাস ফেনকটপু ৭-৬ (৭-২), ৬-৪দা থোইবা ঙমখি। লোয়ননা গ্রিসকী সিটি হেরাকলিওনদা পাঙথোকপা আই টি এফ টুর্নামেন্ট অমদা ইন্দিয়াগী রিসব অগরৱাল অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী ক্লেনচেকনা মায়থীবা পীখ্রে।

# ইন্দিয়াগী মরাথোন এথলিট গোপি অশোকপা অমদি কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইবা ঙম্লোইদৌরি

ন্যু দেল্লী, জুন ০২ (এজেন্সী):
কুমজা ২০১৭কী এসিয়ন মরাথোন চেম্পিয়ন ওইরিবা ইন্দিয়াগী এথলিট থোনাকল গোপিনা মশা শোকখিবা অমদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা শান্নবগী হীরমদা চাওনা অপনবা পীখিবা অদুনা মরম ওইদুনা হৌখিবা থাগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা মহাক ক্বালিফাই ওইবগী ইভেন্টশিং শরুক য়াবা ঙমদবা মরম্না ওলিম্পিক্স শরুক য়ানবা হোৎনবা অদু ঙম্লোইদৌরিবনি।

মহাক কুমজা ২০১৯গী লোইশিল্লকপদা মখূউ শোক্তুনা শান্নবদা মপূং ফানা মায় ওনশিনবা ঙমখিদে। লোয়ননা কুমজা ২০২০দনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ক্বালিফায়িং ইভেন্ট কয়া অমসু শরুক য়াবা ঙমখিদবনি। ওলিম্পিক্স শরুক য়ানবগীদমক্তা গোপিনা ক্বালিফিকেসন মার্ক ওইরিবা পুং ২:১১.৩০গী মতম অদু মে ৩১ ফাওবগী মনুংদা মহাক্না শরুক য়াবা কম্পিটিসনদা লৈবা ওইগদবনি। অদুবু কম্পিটিসন শরুক য়াবা ঙমখিদবা অমদি মতম লোইখিবনা টোকিও ওলিম্পিক্সকী মঙলান অদু লোইশিনখি।

গোপিনা ব্রাজিলনা য়ূম্বু ওইরগা কুমজা ২০১৬কী রিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াদুনা পুং ২:১৫.২৫ চেন্দুনা ২৫শুবা পোজিসন তারকখি। অদুবু মহাক্না কুমজা ২০১৮দা এসিয়ন মরাথোন চেম্পিয়নশিপতা টাইটল ফংদুনা অচৌবা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা শেম শারকখি। কুমজা ২০১৯গী মার্চথাদা গোপিনা শরুক য়াখিবা সিওল মরাথোন লমজেলদা পুং ২:১৩.৩৯ চেন্দুনা মহাক্কী করিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা মতম অদু ওইখি।



মহাক্কী পর্ফোর্মেন্স অদুনা কুমজা ২০১৯গী ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখি। সাউথ কোরিয়াগী কম্পিটিসন অদুদা টেম্পরেচর য়াম্না ঈংবা মরম্না মহাক্কী মতম অদু হেন্না ফজরম্বা য়াবা তাঞ্জা মাঙজখি। মহাক্কী করিয়রদা টেম্পরেচর জিরো দিগ্রী মখাদা কম্পিটিসন শরুক য়াবা অমুক্তা য়াওরকখিদ্রিবনি।

দোহাগী কম্পিটিসন অদুদা গোপিগী হান্না শোকখিবা মখূউ অদু অমুক নাবা হৌরকখিবনি। মরম অদুনা মহাক থা ৪ হেন্না রিহেবিলিটেসন তৌদুনা লাকখি। গোপিনা ওলিম্পিক্সকী মতাংদা মায় ওনশিনবা য়াররোইদবা মরম্না কুমজা ২০২২গী সিজনগীদমক্তা শেম শাবা হৌরগনি হায়না মশাগী চহী ৩৩ শুরবা মরাথোন এথলিট অসিনা ফোঙদোরকখি।

মহাক্কী রিহেবিলিটেসনগী প্রোগ্রাম অদু লোইশিল্লক্লবা মরম্না তুংদা লাক্কদবা কম্পিটিসনশিংদা অহেনবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্নবগীদমক মহাক মশামক্কী ফিটনেস লেভেল অদু হান্না হেনগৎননবা হোৎনগনি হায়খি।

# আই সী সীনা ইন্দিয়াদা টি-২০ ৱর্ল্ড কপকী মতাংদা থা ১গী মতম পীখ্রে

দুবাই, জুন ০২ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইগদৌরিবা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদু মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙম্বগী খোঙথাং অদু থা ১গী মনুংদা উৎকদবনি হায়খ্রে।

ওক্টোবর অমদি নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদু করিগুম্বা ইন্দিয়াদা শান্নবা য়াদনা অতোপ্পা মফমদা হোংদোকখ্রবসু য়ূম্বু ওইবদি ইন্দিয়াগী মমিংদা অদুম্মক লৈগনি হায়না আই সী সীগী মায়কৈদগী বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)দা খঙহল্লকখি।

লোয়ননা আই সী সীনা বি সী সী আইদা মখা তানা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না টুর্নামেন্ট অদু মফম হোংদোকপা য়াবগী তাঞ্জা লৈবা মরম্না য়ু এ ঈদা শিন্ননবা প্লান্নিং পায়খৎপা য়ারে হায়খি। মসিদসু নৎতনা অতোপ্পা ৱেষ্ট এসিয়াগী মফম অমদা শান্নফম থিনবসু খঙহনখি।

ৱাফম অসি ঙরাং আই সী সীনা মখোয়গী বোর্দকী মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা চেরোল ওইনা থোক্লকপনি হায়খি। থা অসিগী লোইশিল্লকপদা আই সী সীগী বোর্দনা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌগদবনি।

টি-২০ ৱর্ল্ড কপ অসি মমাংদা লেপখিবা মতমগী মতুংইন্না লোইশিনহৌদ্রবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদু হেক লোইবগা পাঙথোক্ননবা শিল্লম্বনি। কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভনা ইন্দিয়াগী সিটি ৪দা শান্নবা হৌরম্লবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ অদু কেন্সেল তৌরগা অতোপ্পা মফম অমদা শান্ননবা ৱাফম কন্না খন্নরি। মমাংদা লেপখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না লেমহৌরিবা আই পি এলগী মেটচ ৩১ অদু য়ু এ ঈদা শান্নগদৌরি।

# কার্লো এন্সেলোটিনা রিয়াল মাদ্রিদকী অনৌবা কোচ ওইনা লাক্কদৌরিবা সিজন ৩দা থৌ পুরগনি



মাদ্রিদ, জুন ০২ (এজেন্সী):
মমাংদা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী কোচ ওইনা থৌ পুরম্বা ইটালিগ মচা কার্লো এন্সেলোটিনা রিয়াল মাদ্রিদতা অমুক হন্না কোচকী থৌদাং অদু লৌদুনা লাক্কদৌরিবা সিজন অহুমদা ক্লব অসিগা থৌ পুননবগী মতাংদা খূৎয়েক পীনখ্রে।

রিয়াল মাদ্রিদকী হান্না কোচ ওইরম্বা ফ্রান্স মচা জিনেদাইন জিদেনগী মহুৎতা কার্লো এন্সেলোটিনা থৌ অদু পুগদৌরিবনি। রিয়াল মাদ্রিদ ফুটবোলগী মায়কৈদগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ফ্লোরেন্টিনো পেরেজনা অয়াবা অদু পীরকপনি।

নীংশিংবা য়াই, কার্লো এন্সেলোটিনা মমাংদা রিয়াল মাদ্রিদকী কোচ ওইনা থৌ পুরম্বদা ক্লব অদুবু চেম্পিয়ন্স লীগ টাইটল লৌবা ঙমহনখি। লোয়ননা কোপা দেলরেগী টাইটলসু রিয়াল মাদ্রিদনা লৌবা মতমদা এন্সেলোটিনা টিম কোচ ওইখিবনি।

এন্সেলোটিনা কোচ ওইবগী থৌদাং লৌরকপদা মমিং লৈরবা মালেমগী ক্লব কয়াগা শম্নরমখি। ইটালিগী য়ুভেন্টস অমদি মিলান, ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী চেলসি, বুন্দেসলিগাগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক, লোয়ননা ফ্রান্সকী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনগীসু মহাক্না কোচ ওইনা থৌ পুরমখি।

# ৱেবিনার ৱর্কশোপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা থা অসিগী ১৩গী নুংথিল পুং ৩.৩০ দগীনা ৪.৩০ ফাওবা এ এফ সী গ্রাসরুট দে থৌরমগা মরী লৈননা ৱেবিনার ৱর্কশোপ অমা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

গ্রাসরুট সেন্টরশিং, তোঙান-তোঙানবা লূপশিং অমদি ইন্দিভিজ্যুএলশিংনা গ্রাসরুটকী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা এক্সপরিয়েন্স অমসুং সজেসননচিংবা থাগৎলকপা য়াগনি হায়রি। থা অসিগী ৪ ফাওবগী মমাংদা পোষ্ট ইভেন্ট ফোর্ম অমদি জুম মীটিং লিঙ্ক অদু লৌননবা অম্ফাগী ই-মেল manipurfa@the-aiff.com / amfa456@gmail.com দা মশা-মশাগী ই-মেল থাগৎলক্কদবনি।

# অজিট কুমার, প্রিয়োবর্তা অমসুং রঞ্জিতা শরুক য়ারগনি

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস):
এ আই এফ এফনা থা অসিগী ৬কী নুংথিল পুং ৩.৩০দগীনা ৫.৩০ ফাওবা ওনলাইনদা এ এফ সী ষ্টার প্রোগ্রাম- রেফরিং গেম প্লান হায়বা টোপিক অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা কোর্স অসিগী ওইনা মণিপুরদগী এল অজিট কুমার মীতৈ, এল প্রিয়োবর্তা অমসুং টি রঞ্জিতা শরুক য়াননবা খল্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা মেমোরেন্দম অমনা খঙহল্লক্লি।

# হোক্কী মশান্নগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম ৪শুবদা অদুগা নুপীগীনা ৯দা লৈখ্রে







লোজেন, জুন ০২ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসননা ঙসি খ্বাইদগী নৌনা থোকখিবা মালেমগী হোক্কী শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিমনা ৪শুবা থাক্তা লৈখ্রে, অদুগা নুপীগী টিমনা ৯শুবা থাক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসিনা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা হোক্কী প্রো লীগকী এপ্রিল অমসুং মে থাদা গ্রেট বৃটেন, স্পেন অমসুং জর্মনিগা শান্নগদবা সেরিজ অদু কোভিদ-১৯গী অথিংবনা মরম ওইরগা ঙমখিদ্রবসু মখোয়না হান্না লৈখিবা ৪শুবা পোজিসন অদুদগী লেংদনা লৈবা ঙম্লিবনি।

ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২০ সিজনদা ফংখিবা পোইন্ট ২০৬৩.৭৮দগী হন্দক্কী সিজনদা পোইন্ট ২২২৩.৪৫৮দা হেনগৎপা ঙমখি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমদি য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নসু ওইরিবা বেলজিয়মনা পোইন্ট ২৫৩৩.৮০ ফংলগা ৱর্ল্ডগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা টিম অদু ওইরি। ওষ্ট্রেলিয়ানা পোইন্ট ২৪৯৬.৯৭৮ ফংলগা অনীশুবদা লৈরি। লোয়ননা নেদরলেন্দসনা পোইন্ট ২৩০১.০৪৪ ফংলগা ৩শুবদা লৈরি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী টিমনা পোইন্ট ১৬৪৩.০০ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরি। কুমজা ২০২০দা টিম অসি পোইন্ট ১৫৪৩ ফংলম্বনি। নেদরলেন্দসনা পূন্না পোইন্ট ২৭৭২.০৮৪ ফংলগা মকোক্তা লৈরি। অর্জেন্টিনানা ২২৩৫.৫৯৮ ফংলগা ২শুবদা লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়ানা পোইন্ট ২১১৭.৪৯০ ফংলগা ৩শুবদা লৈরি।

# ওলিম্পিক্স ক্বালিফাই ওইরবা ইন্দিয়াগী নিরজ চোপ্রা ফিনলেন্দদা প্রিপেরেটরি ইভেন্ট শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরি




ন্যু দেল্লী, জুন ০২ (এজেন্সী):
জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মেদল ফংগনি হায়না পানরিবা জেভলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রানা ফিনলেন্দদা পাঙথোক্কদবা প্রিপেরেটরি ইভেন্ট অমা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরি।

থা অসিদা পাঙথোক্কদবা ফিনলেন্দগী কোর্টানে গেমস অদুদা ফিনলেন্দ লৈঙাক্লা ইন্দিয়াদগী লাকপা অমত্তা চঙহন্দবগী কাঙলোন থম্লকপা মরম্না নিরজ চোপ্রা টুর্নামেন্ট অদু য়াওবা ঙম্লোইদৌরিবনি। নোংমগী ওইবা এথলেটিক্স কম্পিটিসন অদু জুন ২৬তা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। কোর্টানেদা হায়রিবা কম্পিটিসন অদু নিরজ চোপ্রানা য়াওবা ফংদ্রবসু মহাক্না জুন ২২দা স্বিদেননা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদবা কার্লষ্টাদ গ্রান্দ প্রি এথলেটিক্স মীট অদুদি শরুক য়াগদৌরি।

কুমজা ২০১৮গী ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোকপা জাকর্টা এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা নিরজ চোপ্রা কুমজা ২০১৯দা সাউথ অফ্রিকাদা পাঙথোকপা এথলেটিক্স কম্পিটিসন অমদা টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখিবনি। হন্দক্তা মহাক ফ্রান্সতা চৎপা য়াবগী ভিজাসু ফংখ্রবনি। ফ্রান্সতা ওলিম্পিক্স হৌদ্রিবা ফাওবা নিরজ চোপ্রানা ট্রেনিং অমদি কম্পিটিসন কয়া শরুক য়াদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা শেম শাগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, ফ্রান্সতা মহাক নুমীৎ ১০নিগী ওইবা ক্বারন্টিন তৌরবা মতুং শেম শাবগী ট্রেনিং অদু হৌগদৌরিবনি। ক্বারন্টিন মনুংদা নোংমদা পুং ২গী ওইবা প্রেক্টিস তৌবা য়াবগী খূদোংচাবা অদুদি ফংগদৌরি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 128

**GM Bluebaum, Matthias (2640) - GM Xiong, Jeffery (2634)**
**80th Tata Steel GpB Wijk aan Zee NED, 2018.01.28**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 g6 | 3.Nc3 d5 | 4.Bg5 Ne4 |
| 5.Nxe4 dxe4 | 6.e3 c5 | 7.Ne2 Bg7 | 8.Qd2 O-O |
| 9.d5 h6 | 10.Bh4 g5 | 11.Bg3 e5 | 12.h4 g4 |
| 13.Nc3 f5 | 14.h5 a6 | 15.d6 Nc6 | 16.Qd5+ Rf7 |
| 17.Qxc5 Be6 | 18.Bh4 Qf8 | 19.Nd5 g3 | 20.fxg3 Rc8 |
| 21.Nb6 Rb8 | 22.O-O-O f4 | 23.Nd5 Rc8 | 24.Nb6 Rb8 |
| 25.gxf4 exf4 | 26.exf4 Rxf4 | 27.Nd5 Bxd5 | 28.Qxd5+ Kh8 |
| 29.Bg3 Qf6 | 30.Qd2 e3 | 31.Qc3 Qe6 | 32.Qa3 Rg4 |
| 33.Be1 e2 | 34.Bxe2 Qxe2 | 35.Bc3 Qxc4 | 36.Rh3 Rxg2 |
| 37.d7 Nd4 | 38.Qd6 Ne2+ | 39.Kb1... | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 127 Ans. :**

**61.** ...Rb4 **62.** Rc4+The white rook deflects Black's bishop away from protecting the square c2.Bxc4 **63.** Nc2+The white knight forks Black's king and rook.Kc3 **64.** Nxb4 Kxb4 **65.**g4
**65.** b8=Q+
**65.** ...Kc5 **66.** gxh5
**66.** b8=Q
**66.** ...gxh5 **67.** b8=Q

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com